# উন্নাও কেসকী মতাংদা কোংগ্রেস অমসুং অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিং লোক সভাদগী থোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** বি জে পি লোমেকর অমনা উন্নাওদা রেপ তৌখি হায়বা নুপীমচা অদুগী এক্সিদেন্ট কেসকী ৱাথোক্তা ঙসি লোক সভাদগী ওপোজিসন পার্টিশিং থোক্লককখ্রে অমসুং হিরম অদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী নাকন্দগী পাউখুম অমা পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা হাউসতগী মপান্দ থোকখ্রে।

রেপকী খুদোঙথিবাময়োক্লখ্রবী নুপীমচা অমসুং মাগী ইমূং-মনূংগী পূন্সিদা কিহল্লি হায়বগী মতাংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কোংগ্রেস, দি এম কে, এন সিপি, আর এস পি অমসুং আই য়ু এম এলগী মেম্বরশিং হাউসকী মপান্দা থোকখি।

ওপোজিসননা হিরম অসি হন্না হন্না পুখৎতুনসু হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা পাউখুম পীদে হায়না লোক সভাদা কোংগ্রেসকী লিদর অধির রঞ্জন চৌধুরিনা হায়খি।

সি বি আইনা হৌজিক থিজিনবগী থবক চথরবসু নুপীমচা অদুগী ইমূং-মনূংগী মীওইশিংনা হৌজিক মখোয়বু হাৎকনি হায়বগী অকিবা অমা মায়োক্লরি হয়না মহাক্লা হায়খি।

অধির রঞ্জন চৌধুরি অমসুং অতৈ কোংগ্রেস মেম্বরশিংগা লোয়ননা যু পি এ চিয়ারপাসন সোনিয়া গান্ধীনা অতৈ পার্টিশিংগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টতা খন্নবা য়াওদনা মপান্দা থোকখি।

হাউসতা অমুক হল্লক্লবা তূংদা মিষ্টর চৌধুরিনা উন্নাও ৱাথোক অদু অমুক হন্না পুখৎখি। মদুদা স্পিকর ওম বিরলানা হিরম অদু মেম্বরশিংনা হান্ননা পনখ্রে হায়খি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা নুপীমচা অদু, মাগী ইমূং-মনূং অমসুং উকিলগা লোয়ননা চৎলিবা কার অদুদা কাহেন্না য়াঙনা থৌরকপা ট্রক অমনা রাই বরেলিদা থোমগাইদুনা মীওই অনী হাৎখি অমসুং নুপীমচা অদুগা মাগী উকিলগা অরুবা ফিভমদা শোকখি।

এক্সিদেন্টকী কেস অদুদা সি বি আইনা বি জে পি লেজিসলেটর কুলদিপ সিংহ সেনগারবু মীহাৎপগী মরালশিংদা কেস লৌখৎখ্রে। উত্তর প্রদেশ পুলিসনা বি জে পি এম এল এ কুলদিপ সেনগার অমসুং অতোপ্পা মীওই ৯গী মথক্তা মীহাৎপগী কেস অমা পানখ্রে।

এক্সিদেন্ট অদু লৌতুনরগা চত্থরকপনি হায়না নুপীমচা অদুগী ইমূংনা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখিবগী মতুংদা পুলিসনা মীহাৎপগী কেস অদু রেজিষ্টর তৌখিবনি।

মরকসিদা নুপীমচা অদুনা মখোয়গী পূন্সিদা কিহনবা লৈরে হায়বগী মতাংদা চীফ জষ্টিসতা ইবা চিঠি অদুগী ৱাফম সুপ্রিম কোর্টনা হয়েঙ লৌখৎলগনি।

জুলাই ১২দা ইরকখিবা চিঠি অমগী মতাংদা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া রঞ্জন গোগোইনা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা খঙহনখিবদু, হৌজিক গাড়ী নম্বর প্লেট মুখৎপা, য়াঙনা থৌরকপা ট্রক অমা চেন্নবা, নোংমাইজিংগী এক্সিদেন্ট অদুগী মতুংদগী অমুক্কা হেন্না মরুওইরক্লে।

সুপ্রিম কোর্টনা কোর্টসিগী সেক্রেটরি জেনরেলদগী কেস অদুগী মতাংদা ষ্টেটস রিপোর্ট অমা পীরক্লবসু খঙহনখ্রে অমসুং মদু হয়েঙ লৌখৎকনি।

নুপীমচা অদুনা মহাকপু ২০১৭দা বি জে পি এম এল এ সেনগারনা রেপ তৌই হায়না মরান শীরি। করিগুম্বা পুলিসনা মহাক্কী ৱাকৎ অসি লৌখৎত্রবদি লখনৌদা উত্তর প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যানাথকী যুম মমাঙদা মশামক মৈ থারগা শিরগনি হায়না নুপীমচা অদুনা কিহনখ্রবগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা হৌখিবা চহীগী এপ্রিলদা বি জে পি এম এল এ অদু ফাখিবনি।

সেনগারগী মনাওনুপানা নুপীমচা অদুগী মপাবু তমথিনা ফুখিবা অমসুং খূৎলাই পুবগী মরানশিং শিজিনদুনা ফাখিবগী মতুংদা মহাক্লা অরোইবা উপাই ওইনা মৈ থাদুনা শিজনবা হোৎনরকখিবনি।

নুপীমচা অদুনা মীয়ামদা ফোঙদোক্লকখিবা অমসুং মীয়ান্না পাক্তক্লনা অশাওবা ফোঙদোক্লরকখ্রবগী নোংমগী মতুংদা মহাক্কী মপা অদু কষ্টদিদা শিখি।

# সিটি ২৫০দা আউটলেট ১৭৫১ হাংবগী মমিং চৎলবা ‘কেফে কোফি দে’গী ফাউন্দর ঈশিংদগী শিনা ফংলে



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** মঙ্গালুরুদগী জুলাই ২৯, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং ৱাইরমদগী থিবা খঙখিদবা ইন্দিয়াগী মমিং চৎলবা কেফে কোফি দেগী ফাউন্দর অমসুং হান্নগী কর্নাটকা চীফ মিনিষ্টর এস এম কৃষ্ণগী মমাকনুপা ভি জি শিদার্থগী হকচাং ঙসি অয়ুক অঙনবদা মঙ্গালুরুগী হোয়গে বজার মনাক্তা নেত্রাবতি তুরেল তোর্ব্বানদা শিনা ফংখ্রে।

লৈবাক অসিদা মীওই লিশিং কয়া য়াওনা পূন্না মী ৩০,০০ হেনবগী থবক পীরিবা ইন্দষ্ট্রেলিষ্ট অসিনা য়ান্না নুংঙাইতবা ফিভমদা পূন্সি লোমখিবদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐস দি দেবি গৌরা, হান্নগী চীফ মিনিষ্ট ঐস দি কুমারাস্বামি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর দি ভি সদানন্দা গৌরা, কর্নাটকা চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপ্পা য়াওনা কর্নাটকা লূচিংবশিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৫৮ শুরবা ব্যুজিনেসমেন অদু কর্নাটকাগী চিকামাগলুরদা লৈবা মহাক্কী মপাগী ইষ্টেটতা অরোইবা মথৌ-মঙম পাংথোক্লগনি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদগী কোষ্ট গার্দকী দাইভরশিং, এন দি আর এফকী ভলন্টিয়ারশিং অমসুং ষ্টেট পুলিস য়াওনা তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংনা মহাকপু ফংননবা পাকশন্না ছর্স ওপরেসন অমা চত্থখিবনি।

ঙসি অয়ুক পূং ৬.৩০ রোম তাবদা মঙ্গালুরুগী উল্লাল মনাক নেত্রাবতি তুরেল তোর্ব্বানদা মিষ্টর সিদার্থগী হকচাং অদু ঈশিংনা চেনশিল্লকখি অমসুং ঙা ফাবা মীওইশিংনা উখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমীদাংদা মহাক্লা চোংথখি হায়বা তুরেল অদুগী মথক্তা শাবা থোং অদুদগী মীটর ৫০০ রোম লাপ্পদা ঙা ফাবা মীওই ২না ঙসি অয়ুক অঙনবদা হকচাং অদু ফংখিবনি হায়না মঙ্গালুরু পুলিস কমিস্নার সদীপ পতিলনা পাউমীশিংদা হায়খি।

মহাক লৈখিদবদা কর্নাটকানা অচৌবা ব্যুজিনেসমেন অমা মাঙজরে। মহাক্লা কর্নাটকাগী কোফি ইন্দষ্ট্রিবু মালেম পাকশনবদা পুথোককখিবনি। মহাক হৌখিবা চহী ২৫ নুংশিরবা মরুপ অমনি হায়না হান্নগী কর্নাটকা চীফ মিনিষ্টর ঐস দি কুমারাস্বামিনা হায়খি।

ভি জি সিদার্থাগী ইমূং-মনূং অসি কোফি থাবগী ব্যুজিনেসতা চহী ১৩০ হেন্না খোঙদারক্লবনি। মহাক্লা ১৯৯৬দা বেঙ্গলুরুগী ব্রিগেদ রোদতা কেফে কোফি দে কৌবা লৈবাকসিগী অহানবা কোফি কেফে অদু হাংদোকখি। মহাক লৈবাকসিগী কোফি বিন মপান লৈবাক্তা এক্সপোর্ট তৌবা খ্বাইদগী চাওবা এক্সেপোর্টরশিংগী মনূংদগী অমনি।

ইন্দিয়া, অষ্ট্রিয়া, জেক রিপব্লিক, মলেসিয়া, নেপাল অমসুং ইজিপ্টকী সিটি ২৫০দা হৌজিক ‘কেফে কোফি দে’গী আউটলোট ১৭৫১ লৈ। মদুগী মথঙদা মহাক্লা ১৯৯৯দা মহাক য়াওনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি প্রোফেস্সেল ১০না ‘মাইন্দট্রী’ কৌবা গ্লোবেল টেক্নোলোজি সার্ভিসেস অমসুং দিজিটেল ট্রান্সফোর্মেসন কম্পেনি অসি লিংখৎখি।

হেক লিংখৎখিবগী চহী ৬ শুবদা এনুয়েল রেভিন্যু দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ হেন্দুনা খ্বাইদগী খূৎমাঙ চাওশিনবা আই টি সার্ভিসেস কম্পেনি ওইরকখি।

অদুবু মহাক লূপা ক্রোর ৩,০০০ হেনবগী শেন্দোলগী অৱাবা পোৎলূম অমা লৈখি হায়নৈ অমসুং ‘মাইন্দট্রি’দা মহাক্কী ২০.৩২ পার্সেন্টগী ষ্টেক অদু লূপা ক্রোর ৩,২৬৯দা ইঞ্জিনিয়ারিংগী অচৌবা কম্পেনি এল এন্দ টিদা য়োনখি।

মহাক্লা মাঙখিদ্রিঙৈগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কেফে কোফি দেগী বোর্দ মেম্বরশিং অমসুং ইমপ্লোয়ীশিংদা চিঠি অমা ইরমখি হায়। চিঠি অদুদা ইনকমটেক্স ওফিসারশিংনা টেক্স টেরোরিজম চথে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লমখি।

# নোংচুপ থংবা অফগানিষ্টানদা বসনা টালিবান বোমদা থৌজিল্লুবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৮ শিখ্রে



***হেরাট, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** নোংচুপ থংবা অফগানিষ্টানদা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পূং ৬ লোম তাবদা বস অমনা লম্বী নাকন্দা ফুমদুনা থল্লম্বা বোম অমদা থৌজিল্লুবদগী বস অদুদা তোঙলকখিবা মীওইশিংগী মনূংদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩৮ শিখ্রে।

পেসেঞ্জর বস অমনা ফরাহ প্রোভিন্সতা কান্দাহার-হেরাট হায়ৱে পরিংদা থৌরকপদা লম্বী নাকন্দা ফুমদুনা থল্লম্বা টালিবানগী বোম অমগী মথক্তা থৌজিল্লুবদা মরান লৈতবা মীচম ৩৮ শিখি অমসুং অতৈ ১৭ শোকখি। শিখিবশিং অদু অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিংনি হায়না প্রোভিন্স অসিগী পুলিসকী ৱাঙাংলোই মুহিবুল্লাহ মুহিবনা হায়খি।

মীহাৎ অদু টালিবাননি হায়না অফগান প্রসিদেন্সিগী ৱাঙাংলোই সেদিক সেদিকিনা হায়খি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই নশ্রট রহিমনা থৌদোক অদু টেরোরিষ্টশিংগী চাওখৎতবা অপঙবা থবক্লি হায়খি। অদুবু বোম পোকখায়বা অদু কনাগুম্বা লালহৌবশিং অমত্তনা মখোয়না চত্থবা থবক্লি হায়না খুদক্তা ফোঙদোক্লকপা লৈত্রি।

২০০১দা অফগানিষ্টানগী টালিবান গভর্ণমেন্টকী মথক্তা য়ু এসনা লান্দাদুনা গভর্ণমেন্ট অদু থুগাইখিবা মতূংদগী অমুক হৌগৎলকখিবা টালিবাননা থা অসিদা মরান লৈতবা মীচমশিং শিবা-শোকপা হন্থহন্নবগী ময়েক শেংফাত্তবা ৱাশক অমা তৌখি।

য়ু এসনা অফগানিষ্টানদা লান্দাখিবগী চহী ১৮ লোমগী তূংদা মরান লৈতবা মীচমশিংনা মতম শাংনদগী মরম শুকচা-চাদনা মমল য়াম্লবা পূন্সি মাঙদুনা লাক্লি।

টালিবান অমসুং অতৈ লালহৌবা গ্রুপশিংগী এটেকতা শিবা মী মশীংদগী য়ু এস অমসুং গভর্ণমেন্টকী য়ানবা ফোর্সশিংনা হাৎপা মশীংনা হেল্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনসু ফোঙদোকখি।

অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট মীখলগী কেম্পেনগী অহানবা ওফিসিয়েল নুমিৎ নোংমাইজিংদা অফগান প্রসিদেন্ট আশ্রব ঘনিগী লম্বা থেংনরিবা মীরেপকী কাবুলগী ওফিসতা সুইসাইদ এটেক্কর অমসুং নোংমৈ পায়বশিংনা পান্দম থল্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখি অমসুং ৫০ শোকখি।

# বোম এটেকতা পাকিষ্টানদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ শিখ্রে



***কুয়েট্টা, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** নোংচুপ থংবা পাকিষ্টানগী সিটি কুয়েট্টাগী পুলিস ষ্টেসন অমগী মপান্দা চত্থরকখিবা বোম এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ শিখ্রে অমসুং ৩৫ শোকখ্রে।

এক্সপ্লোসিবশিং য়েপশিন্দুনা হাপ্পা মোটোর সাইকল অমা রিমোট কন্ট্রোলনা পোকখায়হন্দুনা বোম এটেক অদু ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চত্থরকখিবনি হায়না কুৱেট্টাগী পুলিসকী ৱাঙাংলোই মোহমেদ রামজাননা হায়খি।

মোটোর সাইকল অদু পুলিস ষ্টেসন অদুগী অমসুং ওফিসারশিং থন্না তোংবা ভেন অমগী মনাক্তা খামদুনা থল্লম্বনি। শিখিবা মীওই ৫ অদু লোয়নমক মীচমশিংনি, লোয়ননা শেক্লিবশিং অদুসু মীচম ঙাক্তনি হায়না রামজাননা হায়খি।

অশোকপশিংগী মনূংদগী য়ামদ্রবদা ৮দি বলোচিষ্টানগী কুয়েট্টাগী হোস্পিটালশিংদা অরুবা ফিভমদা লৈরি হায়রি। নুমিৎয়ুংবা মতূং অথেংবদা চত্থরকখিবা বোম এটেক অদু কনাগুম্বা গ্রুপ অমত্তনা মখোয়গী থবক্লি ফোঙদোক্লকপা লৈত্রি।

পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা এটেক অদুবু কন্দেম তৌবা অমসুং পূন্সিশিং মাঙখিবা অদুগী অৱাবা ফোঙদোক্তুনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখ্রে।

মীওই লাক্ষ ১০ হেন্না লৈরিবা সিটি কুয়েট্টা অসি বালোচ সেপরেটিষ্ট, পাকিষ্টানি টালিবান অমসুং অতৈ জিহাদিষ্ট ফেক্সনশিং য়াওনা লালহৌবশিং অমসুং খূৎলাইপায়বা গ্রুপশিং লৈবা মরমদগী পাকিষ্টানদা খ্বাইদগী খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা সিটিশিংগী মনূংদগী অমনি।

# হোং কোংদা চত্থরিবা প্রোটেষ্টশিংদা য়ু এসকী খূৎ য়াওই হায়না চিনানা মরান শীখ্রে



***বৈজিং, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** হোং কোংদা হৌজিক চত্থরিবা প্রো-দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং অসিগী মতাংদা চিনানা য়ু এসতা মরান শীবা হেনগৎলদুনা শেন-থুমগী ময়োল সিটি অসিদা মীয়ামগী দোমোনষ্ট্রেসনশিং অসিদা অমেরিকাগী খূৎ য়াওই হায়না ঙসি চিনানা ফোঙদোকখ্রে।

হোং কোংগী প্রোটেষ্টশিংদা চিনানা অচুম্বা থবক অদু তৌগদবনি হায়বা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওগী হন্দক ফোঙদোকখিবা ৱাঙাং অদু ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই হুৱা চুনয়িংনা ৱাহং হংখি।

মকোক থোংবা অমেরিকান দিপ্লোমেট অদু হৌজিকসু মহাক্লা সি আই এ চীফ ওইরিবনি থাজৈ। কম্যুনিষ্ট লৈবাক অসিদা এক্সট্রাদিসনশিং য়াহন্নবগী গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অদুগী মায়োক্তা মীওই লিশিং কয়ানা অকনবা প্রোটেষ্টশিং চত্থরকখিবনি। হান্নগী বৃটিস কোলোনি অসিদা প্রোটেষ্টশিং অসি করম্না লোয়নগদৌরিবগে হায়বগী মতাংদা অরুম-অয়াং খল্লবা তূংদা চিনানা ট্রুপশিং শিজিননবা ৱারেপ লৌখি, লোয়ননা চিনাগী হীরম পূন্নমক্তা চাওখৎপা অসিগীদমক খুদোঙথিবা থোকহন্নবগী আশাদা শেন-থুমগী ময়োন অসিদা লৈতাদবগী ফিভম থোকহন্নবা নোংচুপ লৈবাকশিং অমসুং পোলিটিসিয়ানশিংনা হোৎনৈ হায়না চিনানা মরান শীরক্লি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা ঙাংখিবা ৱাঙাং অদুনা মহাক হৌজিকসু সি আই এ চীফ অদু ওইরিবরা হায়না চীংনবা লৈ। সেক্রেটরি ওফ চীফ হাপত্রিঙৈগী মমাঙদা সি আই এগী দাইরেক্টর অদু মহাক্লা ওইরম্বনি।

হোং কোংগী প্রোটেষ্ট অসিদা অমেরিকান কয়া অমসুং অমেরিকাগী ফিরান খর ফাওবা উই হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

# ছটিসগড়দা সি আর পি এফ জৱান শিখ্রে

***রাইপুর, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** ছটিসগড়গী বাষ্টার দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক নক্সালশিংনা পোকখায়হল্লকপা আই ই দি বোম অমনা পান্দুনা সি আর পি এফ জৱান অমা শিখ্রে।

এন্টি-নক্সাল ওপরেসন অমদগী হল্লকপা সি আর পি এফকী পেট্রোলিং টিম অমনা মখোয়গী কেম্প অমগী মনাক য়ৌশিল্লকপদা ঙসি অয়ুক পূং ৬ লোম তাবদা বোম অদু পোকখায়হল্লকখিবনি হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

সি আর পি এফ কনষ্টেবল অদুনা ইমপ্রোভাইজ এক্সপ্লোসিব দিভাইজ (আই ই দি) অদুগী মথক্তা নেৎলুবদগী মদু পোকখায়রকখিবনি। হৌজিক মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখ্রে।

# অহানবা অমা ওইনা, চীফ জষ্টিসনা সি বি আইবু করপসনগীদমক হায় কোর্ট জজগী মথক্তা থিজিনবা য়াহনখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** অহানবা অমা ওইনা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া রঞ্জন গোগোইনা হায় কোর্ট জজ অমা ওইরিবা জষ্টিস এস এন সুক্লাগী মথক্তা সি বি আইবু করপসন কেস অমা ফাইল তৌবা য়াহনখ্রে।

এলাহাবাদ হায় কোর্ট জজ অমা ওইরিবা জষ্টিস সুক্লানা ২০১৭দা প্রাইভেট মেদিকেল কোলেজ অমদা মীচং চংখি হায়বগী মরান অমা জজশিংগী পেনেল অমনা ফংখি।

ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সি অদুনা হায় কোর্ট জজ অদুদা ইনভেষ্টিগেট তৌনবগী অয়াবা পীবীনবা চীফ জষ্টিসতা ইরকখি।

মমাঙদা লৈরম্বা চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রানা জষ্টিস সুক্লাবু রিজাইন তৌনবা নৎত্রগা ভলন্টরি রিটয়ারমেন্ট লৌনবা পাউতাক পীখি। অদুবু জষ্টিস সুক্লানা য়াখিদে অমসুং ২০১৮দা মঙোন্দগী জুদিসিয়েল ৱার্ক লৌথোকখি।

জষ্টিস সুক্লাবু ইম্পিচ (লৌথোকপা) তৌনবা পার্লিয়ামেন্টতা মোসন অমা থাঙ্গৎনবগীদমক চীফ জষ্টিস গোগোইনা হৌখিবা থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ইখি।

জষ্টিস সুক্লাগী মায়োক্তা ২০১৭দা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতাংদা মতমদুগী চীফ জষ্টিস মিশ্রানা সুপ্রিম কোর্ট ওর্দর অমা মহাক্লা থুগাইদুনা মহৈরোইশিংগী মিং চনবগী অরোইবা মতম শাংদোকহন্দুনা মেদিকেল কোলেজ অমদা খুদোঙ চাবা পীখিৱা হায়বদু ইনভেষ্টিগেট তৌনবা জজশিংগী পেনেল অমা লিংখৎখি।

২০১৭-১৮ সেসনগীদমক লখনৌদা লৈবা জি সি আর জি ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সতা মহৈরোইশিং মিং চনবা য়াহনবদগী হায় কোর্টপু সুপ্রিম কোর্টনা অথিঙবা থমখিবগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা জষ্টিস সুক্লনা মহাক মশাগী বেঞ্চকী ওর্দরদা মানা খূৎনা ইবশিং অদুদা হোঙদোক-হোঙজিন তৌখি হায়বগী মরানশিং শীনরকপা লৈখি।

মখোয়গী সবষ্টেন্দর্দ ইনফ্রাষ্ট্রক্চর অমসুং ক্রাইটরিয়া কয়া ঙাকপা ঙমদবগী রিপোর্ট অমগী মতূংদা মহৈরোইশিং মিং চনবদগী গভর্ণমেন্টনা অথিঙবা থমখ্রবা মেদিকেল কোলেজশিংগী মনূংদা হায়রিবা মেদিকেল কোলেজ অদু য়াওরি।

শেমদোক্লবা হায় কোর্ট ওর্দর অদু মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা আপিল অমা তৌরকখ্রবগী তূংদা সুপ্রিম কোর্টনা ককথৎখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা বাল্লিষ্টিক মিসাই ২ কাপখ্রে

***সিওল, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লোয়ননা সাউথ কোরিয়ানা পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিং অদুগী মতাংদা ৱার্নিং তৌবা অমা ওইনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নোর্থ কোরিয়ানা মিসালশিং চাংয়েঙ কাপখ্রবগী তূংদা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতসু পিয়োংয়াংনা বাল্লিষ্টিক মিসাইল ২ কাপখ্রে।

মিসাইল ২ অদু ঙসি নোংঙালমদাইদা নোংপোক থংবা তোর্ব্বানগী ৱোনসান এরিয়াদগী কাপখি অমসুং কিলোমিটর ২৫০ রোম পাইখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফনা হায়খি।

১৯৫০দা নোর্থনা লান্দারকখিবা সাউথ কোরিয়াবু ঙাকথোক্লবা ৱাসিংটননা সাউথতা লান্মী ৩০,০০০ রোম থল্লি। হৌজিকসু য়ু এসকা মিলিটরি এক্সরসাইজ পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরি। মিসাইলশিং অদু অসিগুম্বা লানগী খৌরাংবা সাউথ কোরিয়ানশিংদা ৱার্নিং তৌনবনি হায়না নোর্থনা হায়রি।

# ক্রিকেট শান্নবদা তম্মিন্নবা অমনা মহৈরোই ১ কাতি থিন্দুনা হাৎখ্রে

***দিনদিগুল, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** তামিল নাদুগী কোদাইকনালদা রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমদা ক্রিকেট শান্নবদা মখোয় মশেন মরক্তা খৎনরকপদগী ক্লাস টেনদা তম্মিন্নবা মমান্নবা অমনা অতোপ্পা অমবু কাতিনা থিন্দুনা হাৎখ্রে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্লাসত অমত্তদা তম্মিন্নবা মমান্নবা অদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা এস কপিল রাঘবেন্দ্রবু কাতি অমনা থিনখিবনি। মদুদা রাঘবেন্দ্র হোস্পিটালদা পুখৎখিবগী লম্বীদা শিখি। অঙাং অদু পুলিসনা ফারে, মখাতাবা থিজিনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

# দিল্লিদা স্কুল অঙাং ২৫,০০০ দ্রগতা লাইচুরে

***ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১(এজেন্সি)ঃ*** দিল্লিদা স্কুল অঙাং ২৫,০০০ দ্রগতা লাইচুরে অমসুং মসিদা পুলিসনা করিমত্তা উশিন্নদনা লৈথোক্লে হায়না ঙসি রাজ্য সভাদা জিরো অৱারদা কোংগ্রেসকী মেম্বর টি সুব্রমনি রেদ্দিনা পুখৎখ্রে।

দিল্লি খক্তদা নত্তনা অৱাং ইন্দিয়া পূম্বদা নার্কোটিক দ্রগস লায়না ফংলে অমসুং মরান লৈজদবা অঙাংশিংগী পূন্সি মাঙ-তাকহল্লে হায়না মিষ্টর রেদ্দিনা হায়খি।

দ্রগ এদিকশিংগী চাদা ৮৩ লাইরিক হৈবশিংনি। অদুবু দ্রগ মেফিয়া লৈবা মরমদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা ৱাথোক অসি লাক্সিনবা ঙমদ্রে। রাজস্থান, পঞ্জাব, হরিয়ানা, উত্তরখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টরশিংনা হন্দক্তা ৱাথোক অসি নৈনখ্রবনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

লৈবাক অসিদা দ্রগনা থোকহল্লিবা খুদোঙথিবা অসি লাক্সিন্নবগী দিমান্দ অদুদা রাজ্য সভাগী মেম্বর কয়াসু য়াওশিল্লকখি।

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 11/07/19
Sl. No. : 9370
Valid : 09/07/19
Sl. No. : 8521
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 10/08/19
Valid : 01/07/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Athokpam Indane**
Booking : 30/07/19
Valid : 17/07/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m

**Phayeng Indane**
Booking : 14/07/19
Valid : 10/07/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Khongnang Gas, Ninthoukhong**
Booking : 04/07/19
Valid : 27/06/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Loktak Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 210
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 16/07/19
Valid : 15/07/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**LamboDara Indane**
Booking : 30/06/19
Valid : 27/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-199**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 8 | | 3 | | | 1 | 7 |
| 7 | | 2 | | | 9 | 3 | | |
| 3 | 5 | | 7 | | | | | 9 |
| 6 | 4 | 9 | | | | 1 | | |
| | 7 | | 9 | 6 | | | | 2 |
| 2 | | | 3 | 1 | | | 7 | |
| | | | | 9 | 3 | | 6 | |
| | 9 | | | | 7 | | 2 | |
| | | 7 | 2 | | | 4 | | |

**সনা-সুদোকু – ১৯৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 3 | 2 | 8 | 6 | 4 | 9 | 5 | 7 |
| 8 | 5 | 7 | 9 | 1 | 2 | 6 | 4 | 3 |
| 9 | 6 | 4 | 7 | 5 | 3 | 2 | 8 | 1 |
| 7 | 4 | 6 | 1 | 9 | 5 | 8 | 3 | 2 |
| 3 | 8 | 9 | 4 | 2 | 6 | 7 | 1 | 5 |
| 2 | 1 | 5 | 3 | 7 | 8 | 4 | 9 | 6 |
| 4 | 7 | 1 | 2 | 3 | 9 | 5 | 6 | 8 |
| 5 | 9 | 3 | 6 | 8 | 7 | 1 | 2 | 4 |
| 6 | 2 | 8 | 5 | 4 | 1 | 3 | 7 | 9 |